## ফাখিবা ইন্দিয়ন মিলিনিয়র শিরক্লে

ৱাশিংটন, ওক্তোবর ০৩ (এজেন্সি) :
চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা কালিফোর্নিয়াগী সান্ত ক্রুজতা লৈবা ময়ুমদগী কিদনেপ তৌখিবা ইন্দিয়াদগী হৌখিবা টেক মিলিনিয়র টুসর অট্রে মহাক্কী বি এম দব্লিয়ু কার মনুংদা শিদুনা লৈরম্বা থেংনখ্রে।

সিলিকোন ভেলিগী কোর্পোরেট বিজিনেসশিংগা শম্নানা থবক তৌবা দিজিটেল মার্কেটিং অট্রেনেট ইঞ্জকী মপু ওইরিবা মশাগী চহী ৫০ শুরবা অট্রে লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নোংঙাল্লমদাই পুং ৩ লোম তাবদা মহাক্কী ময়ুমদগী ফাখিবনি।

## থাউদা পোলিটিক্স তৌবা তোক্নবা হায়খ্রে

টেহরান, ওক্তোবর ০৩ (এজেন্সি) :
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা পোলিটিকেলগী খুদোংচাবশিং লৌনবগীদমক ওইল মার্কেট শীজিন্নবগী থৌওং লেপকদবনি হায়না ইরানগী পেট্রোলিয়ম মিনিষ্টর বিজান নমদারজাগানেহনা ফোঙদোকখ্রে অমসুং এনর্জি সেক্তরদা প্রেসর পীবগী থৌওংনা সপ্লাইগী সিক্যুরিটিদা শোকহনগনি হায়খ্রে।

## অফঘান পিছ টোক মখা চথনবা পাকিস্তান অমসুং টালিবান্না য়ু এসতা আপিল তৌখ্রে



ইস্লামাবাদ, ওক্তোবর ০৩ (এজেন্সি) :
অফঘানিষ্টানদা মরা তপ্পা ফিভম পুরক্লবগী পিছ টোক য়ারিমখৈ থুনা মখা চথগদবনি হায়না পাকিস্তান অমসুং টালিবান মিলিটেন্ট গ্রুপনা শগোলশেল নুমিত্তা ৱাশিংটনদা তকশিল্লদুনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা শোক্লরকখিবা খ্বাইদগী শাংবা লান লোইশিন্নবা হোৎনরদুনা চথুরকখিবা নিগোসিএসন প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা হৌখিবা থাদা খঙহৌদনা লেপহনখিবা মতুংদা পাকিস্তান অমসুং টালিবান্না য়ু এসতা আপিল অসি তৌখিবনি।

টালিবান্না অফঘান কেপিটেল কাবুলদা চথখিবা বোমগী এটেক অমদা য়ু এসকী লান্মী অমা য়াওনা মীওই ১২ শিখিবা মতুংদা য়ু এসকা মিলিটেন্ট গ্রুপ অসিগী মরক্তা দিল অমা পুরক্নবগী পান্দমদা চথুরকখিবা নিগোসিএসন অদু ট্রম্পনা লেপহনখিবনি।

নাকল অনীগী মরক্তা ৱারী শান্নদুনা পুরক্লবা হোৎনরকখিবা দিল অদুগী পান্দমদি টালিবানগী মায়কৈদগী সিক্যুরিটি গরেন্টি পীবগী ফিভমদা য়ু এস অমসুং অতৈ ফোরেন লৈবাকশিংনা অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা মখোয়গী ট্রুপশিং লৌথোকপনি।

নাকল অনীনা পিছ প্রোসেস খ্বাইদগী থুবা মতমগী মনুংদা মখা চথবা হৌবগী তঙাইফদবা লৈ হায়বসিদা য়ানরে হায়না পাকিস্তানগী ফোরেন ওফিসনা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

ইস্লামাবাদতা লাক্লিবা টালিবানগী মীহুৎ কাঙবু অমগা ফোরেন মিনিষ্টর সাহ মেহমুদ কুরেসিগা ৱারী শান্নরবা মতুংদা ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

অফঘানিষ্টানগী লান অদু লোইশিন্নবা হোৎনবদা পাকিস্তানগী মতেং য়াম্নমক তঙাইফদে হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মতম শাংনা খন্নদুনা লাকখিবনি। নাকল অনীগী মীফম অদু অফঘান ৱাথোক লোইশিন্নবগী পিছ টোক্তা হকথেংননা শরুক য়াদুনা লাক্লবা য়ু এসকী স্পেসল এনভোই জালমে খালিজাদনা ইস্লামাবাদতা গভর্নমেন্টকা ৱারী শান্নখিবা মতুংদা পাঙথোকখিবনি।

হৌজিক য়ু এসকী এনভোই অসি ইস্লামাবাদতা লৈরিবা ওইরবসু মহাক্না ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্ট টালিবানগী মীহুৎশিং উনগদ্রা নৎত্রগা উনরোইদ্রা হায়বদু শেংনা খঙবা ঙমদ্রি।

## টাইৱানদা থোং অমা তেক্কুনা কিন্থরকপদগী ৬ শিরে



টাইপৈ, ওক্তোবর ০৩ (এজেন্সি):
টাইৱানদা চয়োল অসিগী অঙনবদা থোকখিবা থোং অমা ময়াই থীগাংদা তেক্লগা পুলপ ওইনা কিন্থবগী থৌদোক অমদা মীওই ৬ শিখ্রে হায়বসি কনফার্ম তৌরে হায়না ইথৎ অসিগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক অদুনা মরম ওইদুনা থিবা খঙখিদ্রবা ইকোন কোনবা মীওই অদুগী হকচাং টাইৱানিজ রেসক্যুৱরশিংনা শগোলশেল নুমিত্তা ফংবা ঙমখি। য়িলান কাউন্টগী ননফাংহাও ফিসিং পোর্টতা লৈবা থোং অদু লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফিভম থিনা কিন্থরকখিবনি। থৌদোক অদুদা অকায় অতোয় নংলবা থোংগী শরুকশিং অদু মখাদা খামদুনা লৈরিবা ঙামীশিংগী হিশিংদা তাশিনখি। থোং অদু তেক্কুনা কিন্থখিবা মতম অদুদা টেঙ্ক ট্রক অমা মদুদা লৈরম্বনা মরম ওইদুনা গাড়ি অদুনা ঈশিংদা তানশিনবা মতমদা মৈ হৌরকখিবগা লোয়ননা মৈখু মপৈশিং কাখৎপা উখি।

লাইবক থিবা থৌদোক অদুদা শিরিবা মীওইশিং অদু ইন্দোনেসিয়া অমসুং ফিলিপিন্সকী ঙামীশিংনি হায়বসি কনফার্ম তৌখ্রে। মখোয়গী মনুংদা খ্বাইদগী নহা ওইবা মীওই অদু চহী ২৯ গী লেঙ্গানি অমসুং খ্বাইদগী অহল ওইরবা অদুনা চহী ৪৪ শুরে হায়রি। ওথোরিটিশিংগী মতুং ইন্না থৌদোক অদুদা মীওই ১২ সু অশোক-অপন নংখি। লোকেল মিদিয়ানা রিলিজ তৌখিবা ভিদিওশিংদা থোং অদু ময়াইদা তৎলগা সমুদ্রদা তানশিনবগী শক্তম উবা ফংখি হায়রি।

## অনীশুবা লাঞ্জাও মতমগী বোম্মর প্লেন কায়বদা ৭ শিরে



দার্টফোদ, ওক্তোবর ০৩ (এজেন্সি) :
মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও মতমগী বোম্মর প্লেন অমা রনৱেদগী পাইখৎখিবা মতুং মতম শাংনা কান্নদনা টেক্নিকেলগী প্রোব্লেম খরা লাক্কুনা কায়খিবগা লোয়ননা মীওই ৭ শিখ্রে।

য়ু এসকী কনেক্টিকট ষ্টেটতা থোকখিবা এয়র ক্রাস অদুদা প্লেন অদু লৈমায়দগী নোংথক্তা পায়খনবা হোৎনখিবদা ষ্টেট অসিগী ব্রাদলে ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টকী মেন্টেনেন্স সেদতা থোমজিন্দুনা থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়রি।

পেসেঞ্জর ১০ অমসুং ক্রু মেম্বর ৩ য়াওবা বি-১৭ বোম্মর অদু লোকেল মতমদা অয়ুক্কী পুং ১০ রোম তাবদা কায়খিবনি। এয়রক্রাফট অদু মেন্টেনেন্স সেদতা তাশিন্দুনা মৈরি থোক্লা চাকখিবগা লোয়ননা ভিক্তিম খরদি মশা পুন্বা মৈ চাক্কুনা মশক খঙদোক্লবা হোৎনবদা ৱানা থোক্কনি হায়রি।

ওথোরিটিশিংগী মতুং ইন্না এক্সিদেন্ট অদুদা মীওই খরা ফিভম থিনা শোকপা মরম্না মখোয়সু মতম খরগী মনুংদা শিবা য়াই হায়বগী অকিবা লৈ। ক্রাস অদুদা গ্রাউন্দা লৈরম্বা মীওই অমা অশোক অপন নংখিবগা লোয়ননা মৈ চাকপা কনবা লাকখিবা ফায়র ফাইটর অমসু শোকখি।

কনেক্টিকটকী পব্লিক সেফটিগী কম্মিস্নরনা ফোঙদোকখিবদা, থৌদোক অদুগী ভিক্তিমশিং মতেং পাংনবা চঙশিনখিবা ইর্মজেন্সি টিমনা কন্না হোৎনবদগী মীওই খরগী থৱায় কনবা ঙম্বা য়াই হায়বগী থাজবা লৈ।

মিলিটরি ওথোরিটিশিংগী মতুং ইন্না বোইং বি-১৭ ফ্লাইং ফোর্ট্রেস হায়না খঙনবা বোম্মর অদু মিলিটরিগী মীওইশিংনা পাইখিবা নত্তে। প্লেন অদু মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও মনুংদা য়ু এস এয়রফোর্সনা জর্মনিগী মায়োক্তা চথখিবা বোম্মিং কেম্পেয়নদা খ্বাইদগী মরু ওইনা শীজিন্নখি।

ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না, প্লেন অদু লৈমায়দগী পাইখৎখিবা মতুং মিনিট খরগী মতুংদা পাইলোটশিংনা প্রোব্লেম অমা লৈরে হায়না পাউ পীরকখিবগা লোয়ননা এয়রক্রাফট অদু ৱাংনা পাইখৎপা য়াদ্রে হায়না তল্লমখি। মখা তানা কন্ট্রোল তৌবা ঙমখিদবগা লোয়ননা এয়রক্রাফট অদু এয়রপোর্টকী মেন্টেনেন্স সেদ অদুদা তাশিল্লগা কায়খিবনি। প্লেন অদুমক কুমজা ১৯৮৭ তা পিটসবগকী মনাক্তা পাঙথোকখিবা এয়র সো অমদা থোকখিবা এয়র ক্রাস অমদসু চেন্নদুনা মীওই কয়া অশো-অপন নংখিবনি হায়না কোলিংস ফাউন্দেসন্না ফোঙদোকখি।

## সাউথ কোরিয়াদা টাইফুন মিতাগনা মীওই ৪ শিহনখ্রে









সিওল, ওক্তোবর ০৩ (এজেন্সি) :
সাউথ কোরিয়াগী খা অমসুং নোংপোক থংবা লমদমশিংদা শাফু কল্লবা টাইফুন মিতাগ শীৎচিল্লক্কুনা নোং কন্না চুহনখিবগা লোয়ননা য়ামদ্রবা মীওই ৪ শিখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদেকখ্রে।

য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিনা ওফিসলশিং পল্লদুনা হায়, বুসান সিটিদা লেন্দস্লাইদ থোক্কুনা মীওই ৪ ফুমজিনখিবগী পাউ লাকখিবগা লোয়ননা মীশি-মীনাগী মশিং হেনগৎলকপা য়াবগী অকিবা লৈ। চহী অসিগী টাইফুনগী সিজন্দা হৌজিক ফাওবদা শীৎলকখিবদা ১৮ শুবা ওইরিবা টাইফুন অদু য়ুমশকৈশাগী অহিংদা হেনাম কাউন্টিদা থুংলবা মতুংদা কোরিয়ন পেনিন্সুলাগী নোংপোক পাংনা শীৎখিদুনা শগোলশেল নুমিত্তা ইষ্ট সী য়ৌখিবদা ট্রোপিকেল নোংলৈ নুংশিৎ ওনখি হায়না কোরিয়া মিটিওরোলোজিকেল এদমিনিষ্ট্রেসন (কে এম এ)না ফোঙদোকখি।

শিখিবশিং অদুগী মনুংদা চহী ৭০ শুরবী নুপী অমদি পোহাং সিটিদা শাফু কল্লবা নুংশিৎনা হুমদেক্লবা মতুং শগোলশেল নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা শিখিবনি। সামচিওক সিটিদা নোং কন্না চুদুনা থোকখিবা লেন্দস্লাইদ অমদা য়ুম মনুংদা তুমদুনা লৈরিবা নুপী অমা লৈবাক অমসুং লৈখোম মপৈশিংনা ননশিনবদা শিখি।

দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওফিসলশিংদগী ফংবা ওফিসল দেতাগী মতুং ইন্না য়োংদিওক্তা থোকখিবা মান্নবা থৌদোক্তা অতোপ্পা মীওই অমসু শিখি। টাইফুন অদুনা শিহনখিবা মরিশুবা মীওই অদু মশাগী চহী ৭৬ শুরবা নুপা অমনি। মহাক নোর্থ গিয়োংশাং প্রোভিন্সকী সিয়োংজু ভিলেজদা মতিক ময়াই লৈরবা নুংশিৎনা শাংনা চেন্দুনা হুম্বদগী শিখি।

শাফু কল্লবা নুংশিৎশিং অমসুং নোং মরক্তা মীওই অনী থিবা খঙখিদবগা লোয়ননা অতৈ কয়ানা অশোক-অপন নংখি। জেজু ইথৎ অমসুং খাং নোংপোক থংবা অতৈ লমদমশিংদা মীওই ১৫০০ হেন্না ইর্মজেন্সি সেল্টরশিংদা হোংদোকহনখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখি। নোর্থ গিয়োংশাং প্রোভিন্সতা লেন্দস্লাইদনা মরম ওইদুনা বোংৱা কৌবা মফম অমদা লমকোয়বশিংগী ট্রেন অমা রেলৱে ট্রেক্তগী হায়দোক্কুনা এক্সিদেন্ট থোকখি অমসুং নোং কন্না চুবনা মরম ওইদুনা লম্বী কয়া থিংজিনখি। চহী অসিদা কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা লাকখিবা ৭ শুবা ওইরি ময়াই ওইরপনা মপাঙ্গল লৈবা টাইফুন অদুনা খা থংবা লমদমশিংদা নোং কন্না চুহনবগা লোয়ননা অকনবা নুংশিৎশিং মায়োক্নহনখি।

## ইরাং লাকশিন্নবা হোং কোং পুলিসতা পৱার হেন্না পীশিনখ্রে, মাইখুম শীজিন্নবা থিংখ্রে



হোং কোং, ওক্তোবর ০৩ (এজেন্সি) :
থা মরিরোম শুরক্লবা এসিয়াগী ফাইনান্সিল হব হোং কোংদা গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা চথরিবা প্রোটেষ্টশিং লাকশিন্নবা হোৎনরিবা পুলিসনা ফোর্স শীজিন্নবগী মতাংদা লৈরিবা গাইদলাইনশিং সিটি অসিগী ওথোরিটিশিংনা কোমথোকহনখ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

সিটি অসিদা চহী ৫০ রোম শীজিন্নরকখিদ্রবা কোলোনিএল মতমগী ইর্মজেন্সি লো অমগী মখাদা মাইখুমশিং শীজিন্নবসু থিংলগনি হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিং অদুনা মখা তাখি। হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী প্রোটেষ্টশিংদা এক্তিভিষ্টশিংগী কা হেনবা থৌওং খরা উখিবা মতুংদা পুলিসনা ফোর্স শীজিন্নবগী মতাংদা লৈরম্বা অথিংবা কয়া কোমথোকহনবগী ৱারেপ অসি লৌখিবনি।

প্রোটেষ্টরশিংনা পেট্রোল বোম লংশিনবগা লোয়ননা চৈ-লাংনচিংবা কয়া পায়খিবগা মরম ওইবনা পুলিসনা মখোয়বু তানখায়নবা হোৎনবদা টিয়ার গ্যাস রাওন্দ ১৪০০ রোম, রবর বুলেট ৯০০ অমসুং লাইভরাওন্দ ৬ কাপখিবনি হায়রি।

সেকেন্দরি মহৈরোয় নুপামচা অমা য়াওনা মীওই ১০০ হেন্না পুলিসকী এক্সন অদুদা অশোক-অপন নংখি। মহৈরোয় অদু পুলিসনা লাইভ রাওন্দ কাপদুদা মথ্বাক্তা পান্দুনা শোকখিবনি। হোং কোং সিটিগী মতম শাংলক্লবা ইরাং অদুদা দেমোনষ্ট্রেটরশিংদা অশেংবা নোংমৈ মরুনা কাপ্লগী থৌদোক মদুনা অহানবনি। রোইটর্সনা উরবা দোক্যুমেন্ট খরগী মতুং ইন্না পুলিস মেন্যুএলদা প্রোটেষ্টরশিং লাকশিন্নবা তৌবদা ফোর্স শীজিন্নবগী ৱাফম লাকপদা ওফিসরশিংনা করি করম্বা থৌওং চথগদগে হায়বগী মতাংদা লৈরিবা গাইদলাইনশিংদা অহোংবা খরা লাকহনখি।

## প্রোটেষ্টরশিংনা কর্ফিয়ু থুগায়বদগী পুলিসনা নোংমৈ কাপখ্রে

বঘাদাদ, ওক্তোবর ০৩ (এজেন্সি) :
ইস্লামিক ষ্টেট মায়থিবা পীখ্রবা মতুংদা ইরাকি ওথোরিটিশিংনা মায়োক্লরকখিবা খ্বাইদগী শাথিবা সিক্যুরিটি শীংনবশিংগী মনুংদা অমা ওইরকখিবা মীয়ামগী প্রোটেষ্টশিংদা অহিং চুপ্পা সিক্যুরিটিশিংগা মুক্লবদা মীওই ১১ শিখ্রবা মতুং শগোলশেল নুমিত্তা মখা তানা প্রোটেষ্ট চথনবগীদমক নোংঙাল্লমদাইগী মতমদা থমখি কর্ফিয়ু থুগায়খিবা মীয়াম তানখায়নবা হোৎনবদা ইরাকি পুলিসনা অশেংবা নোংমৈ মরু রাওন্দ কয়া কাপখ্রে হায়রি।

বঘদাদকী মরু ওইবা লম্বীশিং অমসুং পব্লিক স্পেসশিংদা ট্রুপশিংনা পেট্রোলিং চৎখি। তৌইগুম্বসুং অয়ুক অঙনবা মতমদগী হৌনা প্রোটেষ্টরশিংনা কর্ফিয়ু থুগায়দুনা মফম কয়াদা দেমোনষ্ট্রেসন চথবা হৌখি। ওথোরিটিশিংনা কেপিটেল সিটি বঘাদাদতা অয়ুক্কী পুং ৫ দগী কর্ফিয়ু লাউথোকখিবনি।

লৈবাক অদুগী খা থংবা সিটিশিংনা হৌখিবা অহিংদা প্রোটেষ্টরশিংগা পুলিসকা খুৎ থোক্নখিবগী থৌদোকশিংগা মীওই ১১ শিখিবগা লোয়ননা নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা চথুরকখিবা মীয়ামগী ইরাং অদুদা শিখিবা মী মশিং পুন্না ১৮ শুরে। দেমোনষ্ট্রেসনশিং অদু বঘদাদ সিটিদা লৈবাকপোকপা নুমিত্তগী হৌদুদা লৈবাক অদুগী অতৈ সিটিশিং মরু ওইনা খা থংবা লমদমদা য়াম্না থুনা শন্দোরকখিবনি। প্রোটেষ্টরশিং তানখায়নবা হোৎনবদা পুলিসনা অশেংবা নোংমৈ মরু রাওন্দশিং, টিয়ার গ্যাস অমসুং ৱাটর কেনন কাপখি।

মীয়ামগী পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবা থৌরাং অমত্তা পায়খৎলক্তবা অমদি পাক শন্না চথরিবা শেঞ্জা-থুমজাগী থৌওংশিংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা প্রোটেষ্টরশিংনা গভর্নমেন্ট অমদি পোলিটিকেল কাঙবুশিংগী মায়োক্তা অকনবা ইরাং হৌরকখিবনি।



## ঈ য়ুগী দোলর বিলিয়ন ৭.৫গী পোথোকশিং য়ু এসনা টারিফ লৌরগনি



ৱাশিংটন, ওক্তোবর ০৩ (এজেন্সি) :
ৱার্ল্ড ট্রেদ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু টি ও)না ৱাশিংটনগী অপাম্বা শৌগত্তুনা ৱারেপ লৌবগা লোয়ননা এয়রবসতা সবসিদিশিং পীবগী মায়োক্তা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী এক্সপোর্টশিংদা টারিফ কয়া লৌনবগী পার্মিসন পীখিবা মতুংদা য়ু এসনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী দোলর বিলিয়ন ৭.৫ কী পোথোকশিংদা টারিফ লৌনবগী থৌরাংশিং লাউথোকখ্রে।

অনৌবা টারিফশিং অদু য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসন্না কুমজা ২০১৮ দা ব্লোক অদুগী ষ্টিল অমসুং এলুমিনিয়ম আইটেমশিংদা দ্যুটি কয়া লৌবা হৌখিবদগী য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী মায়োক্তা লৌরক্লিবা খ্বাইদগী মরু ওইবা ট্রেদ এক্সননি হায়না লৌনরি।

খোঙথাং অসিনা অনৌবা টারিফশিং লৌনদনা লল্লোন ইতিক্কী য়েৎনবশিং লেখায় তাথোক্লবা হোৎনরকখিবা মীচং লৈবাকশিং অসিগী মরক্তা লৈনরিবা মরীশিং হান্নদগী হেন্না শোকচিনহনবা য়াই হায়না থাজনরি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ওক্তোবর ১৮ দগী ঈ য়ুগী অকক্লবা পোৎথোক খরদা দব্লিয়ু টি ওনা এপ্রুভ তৌবা টারিফশিং লৌবা হৌরগনি হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা য়ু এস রিপ্রজেন্টেটিভ রোবার্ট লাইটিজরনা ফোঙদোকখি।

মতম শাংনা ঙাইনরকখিব রুলিং অমা পীরদুনা দব্লিয়ু টি ওনা হায়খি মদুদি, ৱাশিংটন্না চহী খুদিংগী য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী দোলর বিলিয়ন ৭.৫কী পোৎলমশিংদা টারিফনচিংবা এপ্লাই তৌবা য়াগনি। য়ু এসনা অনৌবা টারিফশিং লৌগদৌরিবা অদুনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহনগদৌরিবা লৈবাকশিং অদুদি ফ্রান্স, জর্মনি, স্পেন অমসু য়ু কেনি। য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী লৈবাক মরি অসিনা ইলিগেল ওইবা সবসিদিশিং দব্লিয়ু টি ওদা পীহল্লম্বনি হায়না লাইটিজরনা ফোঙদোকখি। ৱার্ল্ড ট্রেদ রেগ্যুলেটর অসিনা পীরিবা রুলিং অদুবু লাকহনখিবা য়ুরোপিয়ন প্লেনমেকর এয়রবসতা পীরম্বা সবসিদিশিংগী মতাংদা পল্লদুনা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

## ‘সিরিয়াদা সেফ জোন লিংনবা হোৎনবদা মায় পাক্ত্রে’





অঙ্কারা, ওক্তোবর ০৩ (এজেন্সি) :
সিরিয়াগী অৱাং নোংপোক থংবা লমদমদা সেফ জোন অমা লিংনবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা হোৎনমিন্নরিবসি অপাম্বা রিজল্টশিং লাকহনবা ঙমদ্রে হায়না টর্কিনা লৌই হায়রদুনা লৈবাক অসিনা মিলিটরি ওপরেসন অমা শেম্নবা শেম শারে হায়না টর্কিস ফোরেন মিনিষ্টর মেভ্লুট কাভুসোগ্লুনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

অঙ্কারা অমসুং নাটোদা য়াওবা মীচং ৱাশিংটন্না সিরিয়াগী বোর্দরদা সেফ জোন অমা লিংবগী ৱাফম য়ানখিবনি। টর্কিনা সেফ জোন অদু কিলোমিটর ৩০ গী লমদা চৎনহন্দুনা লৈবাক অসিনা টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমনি হায়না লৌরিবা সিরিয়াগী কর্দিস ৱাই পি জি মিলিসা তকথোকপা পাল্লিবনি।

টর্কিনা সেফ জোন অদুদা সিরিয়ন রেফ্যুজি মিলিয়ন অনী ফাওবা লৈহনবা য়াগনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা সেফ জোন শেম্নবা হোৎনরিবদু অপাম্বা রিজল্টশিং লাক্তবা তারবদি নৎত্রগা অদুগুম্বা থবকশিং লেপ্পা তারবদি লৈবাক অসিগী ওইনদি মিলিটরি এক্সন লৌখৎপগী খোঙথাং পায়খৎকনি হায়না হঞ্জিন-হঞ্জিন ৱার্নিং তৌদুনা লাকখিবনি।

টর্কিস প্রসিদেন্ট টায়িপ ইর্দোগানননা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা থবক তৌমিন্নবদা খুমাঙ চাওশিনবা ঙমদবগী ফিভম অমা লৈরিবা অসিনা মরম ওইদুনা টর্কিনা তঙাইফদনা মরন্নাই ৱারেপ লৌজদুনা মিলিটরি কেম্পেয়ন চথবা তাবনি।

শগোলশেল নুমিত্তা ব্রোদকাষ্টর এ হবরদা ৱা ঙাঙখিবা কাভুসোগ্লুনা হায়খি মদুদি, টর্কিনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মায়কৈদগী হীরম অসিগী মতাংদা পুকচেল শেংবগী মতৌ অমত্তা উৎখিদ্রি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা হৌজিক চথরিবা প্রোসেস অসি ঐখোয়না পাল্লিবা পন্থুং অদু য়ৌবা ঙমগনি হায়বসি ঐখোয়না থাজদ্রে। ফিল্দদগী লাক্লিবা ইনফোর্মেসন্না মসি প্রুভ তৌজরবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।